ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, ফেব্রুৱারী ১১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩১৪শুবা মশীং

# মণিপুরদা লাইব্রেরী

## লাইব্রেরীগী ঈহৌ কনখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বা মথৌ তাই

কলচর অমসুং শান্ন-খোৎনবনা মালেমদা মণিপুর মশক তাকপগুম হ্যুমেন রিসোর্সকী লমদা মণিপুরসু হিদান্নবা য়াওগে হায়বা তারবদি মচি-মচিদা লাইব্রেরী লিংখৎপা মথৌ তাই। য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা কম্বাইন্দ সিবিল সার্ভিসেসকী এগজামদা মণিপুরীশিংগী মরক্তা খরা মায় পাকপা ঙমজরবসু লৈবাক অসিদা মণিপুরী মচাশিংনা দোমিনেট তৌরগা চৎলি হায়বদি য়াদ্রি। মসিগীসু মথক্তা অসিগুম্বা মখলগী কম্পিটিটিব এগজামশিংদা ঙসি ফাওবা মণিপুরী মচাশিংনা মকোক ওইখিবা য়াওখিদ্রি। মরম অদুনা ঐখোয় হৌজিকসু হোৎনবগী মথৌ তাই। ইনখৎলক্লিবা, চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংদা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন পীবগী তঙাইফদবা লৈবনা ৱাখল্লোনশিং অদু অঙাংশিংদা চুহন্ননবা করি তৌগদগে হায়বদুদি লৈঙাক্কী থৌশিলদা লৈরে। থৌশিলশিং অদুগী মনুংদা লাইব্রেরীগী ঈহৌ কনখৎহনবসু অমনি। শেঞ্জাও পায়বা ইমুংগী মীওইতনা লৈবাক অসিগী য়াংলেন শরূনি হায়বা য়ারোই। পৎ তৎপা ইমুংদগী থোরকপা মহৈরোয়শিং অদুসু লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবনি। মখোয়গুম্বা লাইরিক লাইশু লৈবা ঙমজদবশিংগীদমক লৈঙাক্না ঙসি ফাওবদা করি তৌখ্রবগে হায়বা অমুক্তং খন্থরগদি ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা লাইব্রেরী লিংখৎকে হায়বগী ৱাখল্লোন শোয়দনা পোল্লক্কনি। মহৈ-মশিনগী লমদা হিদান্নবদা মকোক থোংদুনা লাকখিবা ষ্টেটশিংগীদি লাইব্রেরীদা চঙদুনা মীয়াম্না মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক, জর্নেল অমদি পাউ-চেনচিংবা পাদুনা লাইরিক পাবগী হৈনবী থমদুনা মতিক চাবা মীশক অমমম ওইননবা হোৎনৈ। মরম অদুনা লাইব্রেরী হায়বসি তুংগী মীরোল শেম্বদা অমসুং হৌজিক্কী মীরোলনা অনৌবা ৱাখল্লোন তানশিনবগী খ্বাইদগী ফবা লাইশঙ অমনি হায়না লৌগদবনি। অফবা লাইব্রেরীনা লাইরিক লৈবা ঙমজদবা, লাইরিক তম্নিংবা লাইরবা অঙাংশিংদা মপাল নাইদবা কান্নবা পীবনা লৈঙাক্না মখোয়গীদমক লাইব্রেরী লিংবীবা হায়বসিসু তঙাইফদবনি।

মণিপুরদা লাইব্রেরীগী ৱাহন্থোক অসি খঙলবসু মীওই ১০০ গী মনুংদা ৯০ দি থোইনা ইন্টরেষ্ট লৈতবদৌনা তৌই। মীয়াম্না থওইনা তৌখিদবনা মরম ওইরদুনা লৈঙাকসু লাইব্রেরীদা খুৎ থাদে। মণিপুরদা লৈবা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা লাইব্রেরী লৈ, চহী খুদিংগী মিং চনবা মতমদসু লাইব্রেরীগী ফি লৌই। অদুবু লাইব্রেরীদি চাউখৎননবা হোৎনদে। মতিক চাবা অফবা লাইরিক কয়ামরুম লৈবগী মমি তাদে। স্কুল অমসুং কোলেজ অয়াম্বদা লাইব্রেরিয়ন লৈতে। মসিনা মরম ওইরগা লাইব্রেরী অমদা করি করি লাইরিক লৈবগে হায়বা মহৈরোয়শিংনসু খঙদে। অৱাৎপা লাইরিক লৈশিনবগী ৱাফম লাকপদসু মথোং মরম খঙদবনিনা অদুমক তোকই। মণিপুরদা খ্বাইদগী লিরবা মহৈশঙ খরদদি মতম অমদা লাইব্রেরী লৈরম্লবসু হৌজিক্তি মাঙখিবগুম তৌরে। মতিক চাবা ট্রেন তৌরবা লাইব্রেরিয়ন য়াওদনা করম্না লাইব্রেরী চলাইগদৌরিবনো হায়বা লৈঙাক্না কুপ্না খন্থহন্নিংই। মতিক চাবা লাইব্রেরিয়ানশিং হাপহন্নিংই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা লাইব্রেরী নীংথি নুংঙাইনা লৈতে। এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা মমিংতগী ওইনা লাইরিক খরা খরদি লাইব্রেরীদা থম্লবা পীরিবনি। অদুবু পীথরক্লিবা লাইরিকশিং অদু কমদৌনা থমগদগে অমসুং মহৈরোয়শিংদা লাইরিকশিং অসি পাবগী খুদোংচাবা করম্না ফংহনগদগে হায়বদু য়েংশিনবীননবা মীওই অমত্তা হাপতে। কম্পিটিটিভ এগজামশিংদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোয় কয়ামরুম ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীদা লাক্তুনা নুমীৎ খুদিংগী লাইরিক পাবগী মশিং হেনগৎলক্লি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি চাউখৎলকপনা মরম ওইরগা মালেমগী মমিং লৈরবা লাইব্রেরীশিংদা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা ফংহল্লি। অদুবু মণিপুরদদি ঈ-বুক্স অমসুং ঈ-জর্নেলগী খুদোংচাবা ফাওবা নীংথিনা ফংহন্দে। ষ্টেটকী লাইব্রেরী অসিদা অঙাংগী সেক্সন লৈতে। লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন পীননবগীদমক ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীদা ৱাইফাইগী খুথাংদা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা পীহন্নিংই। খুদোংচাবা অসি ফংহনবদা লৈঙাক্তগী চহী অমদা য়াম্লবা শেনফম চৎকদবা নত্তে। চঙনিংবা শেনফমশিং চঙলগসু তুংগী য়ুম্বী শেম্বদা তঙাইফদবনি হায়না লৌগদবনি। লৈঙাক্না মণিপুরদা লাইব্রেরীগী ঈহৌ কনখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা বডজেটতা অচৌবা শেনফম হাপ্পগী মথৌ তারি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা ‘উশিন’ হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) ‘ত্যাগপত্র’ হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা ‘শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং’ হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) ‘শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।’ শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১৭

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

লীলা শান্নবা চৎপদা য়াম্না হেক নুংঙাইবসি, ঐগী ওইনা হায়জরবনিকো, ময়াম্না লান্না লৌবীনু। য়াওশঙগী লীলা শান্নবসিমক্তবু নোংমদা চাকচা হৈজানবগী, অমুক্না লৈশাবীগী, পাখঙগী, মৌগী চাকসি তোয়না অদুম চানৈ। চানবা খুদিংগী লীলা অমদি শোয়দ্রে। মতমদু ঐখোয় সাইকলনা লীলা শান্নবসি চৎনরিঙৈগী মতমনি। মরমদি লীলাসি অয়াম্বনা য়াওশঙগী মতমসিদদি ঐখোয় লম অনকপদনা অয়াম্বা চেবাউসি লৌই। অরাপ্পগীদি খরা তপ্পী। হোয় অরাপ্পগী চৎলগনা মিনিবস অমা ৱাইরে। নৎত্রবদি সাইকলদা ওইনা লোইনা চৎলি। লীলা অমা শান্নরুরগা সেকেন্দ শো, থর্দ শো লাকপদা ময়ামসিনা লীলা শান্নফম শুমাংসিদা পুমকোয় কোয়না মৈ থান্দুনা ঐখোয়বু ঙাইদুনা লৈরম্বা। মদুদা ঐখোয়না সাইকলদুগা মরী-মরী লাকপদা তিল্লম্মিবা ময়ামদুনা, ঙসাইমখৈ লীলা পার্টি লাকত্রি হায়না য়াম্না ৱানা ঙাইনরম্বদগী সাইকলদু থংনবা য়ূম অমদা পুল্লপ ইনশিল্লগা, ঐখোয়না মেক-অপকা লোয়না তৌরগা মায়দা তাৱেল অমমমনা কুপশিল্লগা ময়াম মরক্তু ফাওদুনা লাক্লগা, লীলা ফি শেৎফমদা চঙবসিদা লাউনরকপা ময়ামসিনি য়াম্না বিট লৈরিসে। অয়াম্বনা লীলা ফি শেৎপসিসু, লীলা শান্নগদৌরিবা অদুগী য়ূমথংনবগী মাঙ্গোলগুম্বা, নৎত্রগা য়েনখারোমদা লৈবা খরা হাঙবা মফম অমগুম্বদা হেক হেক শিল্লম্মী। মদু তম্না চঙলকপদা ময়ামসিনা লীলা পার্টি লাক্লে হায়না লাউরকপা, খূবাক খূনরকপা ময়ামসিগী মরকসিদা ঐখোয়না চঙলক্লগা হৌরগে হৌরগে গাইনা হায়বসি ঐদি য়াম্না নুংঙাই, লীলাদু নমদুনা নুংঙাইগদবা মাল্লি। মরমদি ময়ামদুনা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপা অদু তাবদা লীলা শান্নরুবগী ৱাবগা লোইনা কাউই।

লীলা হৌরে। অহানবা থোকপদা ময়ামসিনা য়া... হায়না লাউনৈ, হরাওনৈ। ৱা পাক ঙাওবা য়াপোত্তে। মরমদি ঙাঙগদৌরিবা ৱাদু ময়ামদুগী ইনিলদুনা য়েংলিবশিংদু তারোইদবনিনা ময়ামদুনা ঈংথবা ঙাইহাক ঙাইরিবনি। ঐদি মসিগুম্বসিসু য়াম্না পাম্মী। ময়ামদু ঈংথনবা ঙাইহাক টেক্সিস খরা তৌরগা মায়কৈ শিন থুংনা লৈ-লৈদুনা ঙাইহাক লৈরগা ময়ামদু ঈংথনরক্লগনি। অদু কান্দুদা তপ্না ঐগী দাইলোগতু হৌগদৌরিবনি। ময়ামদুনা ইহান হান্না থোরকপা ঐবু খূবাক খূদুনা ওক্লবনিনা ঐসু মশানা বিট কাবা তাবনি। মী খরদি হেক হৌবদা থোকপসি পাম্নদে, ঐদি য়াম্না পাম্মী। অদুনা ঐ হান্না হেক্তা থোক্কে হায়না হায়। লীলা অসুম শান্নরকপদা মীসি মখল-মখল থেংনৈ। য়ুগা থকচিল্লুরগা নিশা শান্নরগা য়েংবা কাঙবু অমসু য়াওরিবনি, ময়াম মরক্তুদা। মোইনগা অমুক অমুক কারন তারকপসিদি অরোইবীনি। হেন্দা হেনজিল্লগদি মোই অদুম চৈ চাই। মরমদি মোইনা কারন তারকপদু লীলা কৌরিবশিংগী মায়কৈদগী শাউনরক্তুনা খৎনরে, অদুম ফুথরে। অদুনা থোইনা নুংশা থীদে ঐখোয়, মাগীদমক ৱাবি, মসি শোয়দনা চৈ চারনিসে হায়না। মোইগী কারন খুতাসি মখল মখলনি। ময়াম্না তুমিন্না লীলাগী দাইলোগ তানবা লৈনবা মতমদা, কারন ঙাঙলক্কদৌরিবনি। অদুদা ময়াম্না ৱা লাউনা নোকপদা মোইনা হরাওজরিবনি। অদুদগী অমুক্না ময়াম্না কপ্পরকপা মতমদা মোইনা ‘শুৎ-শুৎ’ কায়না মীগী মতৌ তমদুনা হায়রক্কনি। অদুদসু ময়ামদুনা ৱা লাউনা নোক্লিবনি। মসি ঐখোয় আর্টিষ্টতদি য়াম্না নুংঙাইতে, খোইদৌ য়াম্না শাওগৎলি। অদুনা খাঙবা ঙল্লক্তবদগী অদুগী মীশক অদুদা ওনশিল্লগা, “কৈনো নঙনা তৌরিদো, মী উশিৎত্রিরা ঐনা তৌরিসি নঙ ঙমগদ্রা, নঙ তৌরোলাও’ হায়নবু কনাগুম্বা আর্টিষ্ট অমনা হেক হায়রুরবা, শোয়দ্রে, মীদু চৈ চারে। ময়াম চঙদনা অদুম চিংথোক্লগা তোৎখ্রনি।

লীলা হায়বসিমক্তবু, কপ্পা-নোকপা মহাউ শুনবা হাপ্লিবনি। অদুনা কপ্পসি য়াম্না পামনৈ। লৈশাবী, মৌ, নুপীরোমগী মায়কৈনবুদি খরা হেন্না কপ্লবসু, নুপারোমদসু কপ্তবা ইয়াও য়াওনদে। অয়েংবা কাঙবুনা কপ্পগী মখোলসি লীলা শান্নরিবা ঐখোয়না তাবা ফংই। মসিদগা কাবা বিটসিদি, অরোইবীনি কৈনো, য়াম্না নুংঙাইখ্রজাৎনি। অদুনা লীলাদু শান্নবদা য়াম্না থৱায় হেন্না য়াওশিল্লিবনি। য়াম্না নোক্লিংবা অমনা, মতম অমদা কপ্পগী মতাং হেক য়ৌরকপদা, নহারোলশিং নুপারোমগী মায়কৈদগী ‘শুৎ...শুৎ...’ হায়না অমনা হেক তৌরকপগা, ময়ামসিনা ‘শুৎ...শুৎ...’ হায়না মচিন্দা খুদোনবী থম্মগা লোয়না লাউনরক্কনি। লীলা মফমদু ‘শুৎ...শুৎ...’ হায়বসিনা পূমনিন হেক্তা নিনবজাৎনি। অদুদদি লীলাদু পুমকাই কাইরে। কনাগী মখা তানা কপনীংবগাইয়ে। অদুদদি লীলাদু থোক লাউনা শমজিল্লনি। কৈনো কৈনোমা থোক হায়জিল্লগা বদ্রৎ লাওনা শমদৎলগা, মখা হেক্তা চথগনি। অদুদগী অমুক ময়ামদুনা ‘লীলা শম্মে...লীলা শম্মে’ হায়না লাউনরক্কনি। হোরেন অকৌমল পীবদসু লীলা শম্বগী খরা তাবীয়ু হায়না হান্না হৌরক্লনি। মদুদদি ঐখোয় মশেল মরৈ হৌনরে। অফাওবা শাবা কাঙবু অমনা লৈশাবীশিংগী মতুংদা লেপ্পগা শেল তাহল্লু, লীলা য়াম্না শম্বগী হায়না ইনশিনগদৌরিবনি। মসিদা য়ানরক্তদনা শাওনরেদো, ঐখোয়সু মী কৌবনিনা। অদুদদি ‘ফরে অদুদি লীলাসি পাঙথোকচরম্মগে, শেল লৌজররোই’ হায়না ফুক হৌগৎলগা লাকপদা, অমুক তান্নরগা ‘শাওবীনু শাওবীনু সুম হায়নবগী ৱানি, শেল লৌদনা চৎখ্রদি ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইররোই, য়ারে তাবীদ্রসু হায়না পুল্লপকা পীথোরকপা য়াওই। য়াম্না নাতৈ ৱায়োং চাদবা মফম কয়া অমসু থেংনদবা নত্তে। লীলা চৎপা হায়বসি নুংঙাইবসু, অৱাবসু পূমথন থনবনি।

মমৈদদি লীলা লোইরগা অকৌমন পীবদা মরৈ য়াম্না তৌনবসি তৌদনবা, লীলা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অকৌমল লৌবা হায়বসি হৌদোক্লে। মদু লীলা কৌবা লাকপদা হান্নন হায়নরমবনি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা লীলাগী চেবাউ ককপগী রিসিপ্ট অদুদসু প্রিন্ট ওইনা ইরগা পীরবনি। অদুগা কৌরিবা মীদুগী সিগনেচর লৌরিবনি। লীলা হৌদ্রিঙৈদা শেল হান্না পীগনি হায়না। মদুদসু অচৌবা ৱাথোক অদুম থোকই। মদু লোইনমক্কী ৱাদি নত্তে, মরৈ তৌগে হায়না তৌবা য়াম্না য়াওই। ‘পোৎ লৈববু লৈদ্রিঙৈদা হান্না শেল পীগদ্রা? চৎনদবা ৱা হায়গনু। লীলা লোইরগা শেল পীনি, নোইগী লীলা হৌগদবদু হৌরো হায়না ধপ তৌই। ‘ঐখোয় লীলাদু হৌদে। ঐখোয়না হায়রিবনা, “হোরেন তাগদবদু ঐখোয় অদুম তাজগে, লোইনমক লৌগে হায়বা নত্তে। মথংগী শো লৈবনিনা লীলা হেক লোইবগা ঐখোয় চৎচখিবা য়ানবনি” হায়না হায়রবসু মরৈ তৌদুনা লৈবা অদুম য়াওই। অসুম্না লীলাগী অকৌমল লৌবদা থেংনবা অৱাবা কয়া অমা লৈখ্রে। মথংগীদা অমুক খরা হায়জরক্কে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫১

উসম ধনঞ্জয়

**দিসেম্বর ০৮, ২০০৯ :** জুলাই ২৩দা থোকখিবা খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না চথবা প্রোসিদিং রেকোর্দশিং লাক্লিবা তাং ১৫ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা থম্নবা গৌহাটি হায় কোর্ট প্রিন্সিপাল সিটনা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এদভোকেট ইরোম ললিৎতা খঙহনখ্রে।

মণিপুরগী এদভোকেট জেনরেলনা গৌহাটি হায় কোর্ট প্রিন্সিপাল সিটতা থাগৎলকখিবা মিসেলিনস কেস এম সী ৩৩১৩/০৯ রিফ দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪৩৮৭/০৯ অমদা কোর্ট অসিগী জষ্টিস অনিমা হজারিকানা প্রোসিদিংস রেকোর্দ পীখৎলক্নবা দিরেক্সন অদু পীখিবনি।

এ জিনা থাঙ্গৎখিবা মিসেলিনস কেস অদুগী মরু ওইবা প্রেয়রদি কম্মিসন্দা পন্দুনা লৈরিবা এম ঐচ আর সী কেস নম্বর ১০/০৯ অমসুং ১২/০৯গী প্রোসিদিং রেকোর্দশিং কৌবীয়ু হায়বসিনি হায়রি।

পার্টি অনীগী ৱা তারবা মতুংদা কোর্টনা লাক্লিবা তাং ১৫ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসন্না চথবা হৌখিবা প্রোসিদিংগী রেকোর্দ অদু কোর্টতা পীখৎলক্নবা এম ঐচ আর সীগী এদভোকেটতা খঙহনখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী এদমিসন হিয়ারিং লাক্লিবা তাং ১৭তা লেপখ্রে হায়না প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

কেস অসিদা এম ঐচ আর সীগী মেম্বর, কর্নেল আর এস রাজকুমার অমদি মেম্বর নোংয়াইগী উকিলশিংদি মথংশিৎনা এদভোকেট পুয়াম তোমচা মৈতৈ অমসুং মৈহৌবম রাকেশনি। অদুগা এদভোকেট আর কে নোলিনি অমসুং কেস অসিদা প্রোফোমা রেস্পোন্দেন্ট ওইনা য়াওরিবা থোকচোম চীংলেনসনা অমসুং পাউকিন গোনমৈগী মায়কৈদা লেপ্লি।

নীংশিংবা য়াই, জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না চথবা ইনক্বারিগী প্রোসিদিং পূম্বা দিসেম্বর ৮ ফাওবা গৌহাটি হায় কোর্টকী প্রিন্সিপাল সিটনা ষ্টে তৌখিবনি।

**দিসেম্বর ০৯, ২০০৯ :** লাক্লিবা তাং ১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা য়াইস্কুল এ সীগী ইলেক্সন অসি হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং মরু ওইনা ফেক এনকাউন্টরশিংগী অচুম চুমদা য়েংননবা শকয়েং মিংশেল ওইরগনি হায়না ঙসি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোঙথোরক্লিবা হঞ্জবম জয়দেবকী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ঐচ বোরবাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি জয়দেব শর্মাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বোরবাবুনা হায়, য়াইস্কুল এ সীগী ইলেক্সন অসি অচম্বা ইলেক্সন নত্তে। দেমোক্রেসি কন্ননবগী ইলেক্সননি। দেমোক্রেসি হায়বসি মীয়ামগী অৱাবা কন্ননবগী অমত্তা ঙাইরবা খূৎলায়নি।

এস পি এফ গভর্ণমেন্টকী লুচিংবা ওইরিবা ও ইবোবীগী সাসন্দা নোংমদা মী কয়া শিরি। দোমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক মাঙখ্রবা ষ্টেট অমা ওইরি। সী এম ইবোবীদি মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং করিসু নাচুংদে। মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা মথৌদি মশাগী লন-থুম লেপশিনবা অমসুং মহাক্কী মরী মতাশিংবু অচৌবা করবাররালা ওইনা শেমগৎপনি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হন্দক্কী ইলেক্সন অসিনা মণিপুরদা ও ইবোবী লৌথোকপা, প্রসিদেন্ট রুল থম্বা হায়বগী ৱারেপ অমসু এ সী অসিগী মীয়াম্না শোয়দনা লেপ্লক্কনি হায়না আশা তৌই। অসিগুম্বা ঈশ্বরনা পীবা খুদোংচাবা অসি এ সী অসিগী মীয়াম্না মাঙহনবীগনু।

থৌরম অদুদা মণিপুর পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায়খি, হন্দক পার্টি অসিনা মীরেপ থাদোক্ত্রিবা অসি কোংগ্রেস পার্টিবু মায়থীবা পীবা ঙম্নবগীদমক্তনি। ওপোজিসন পার্টিশিংদা মতিক চারবা লৈবাক্কী খনবা লুচিংবা কয়া লৈরি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিদদি অসিগুম্বা লুচিংবশিং লৈতে। মসিমক্না হৌজিক ওইরিবা কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি নোংম-নোংমগী ফেক এনকাউন্টরশিংগী ওইবা সাসনগী লৈঙাক ওইরক্লি।

মণিপুর অসি হীরম খুদিংমক্তা মরায় চায়থরক্লবা অমসুং মীওই অমত্তগী পুন্সিগী মরায়বক লেপ্পা ঙমদ্রবা ফীভমদা লৈরে। এ সী অসিগী ইলেক্সন অসিনা ষ্টেট অসিগী অনৌবা মীকপ থোকহন্নবগী অহৌবা লম্বী য়াৎপনি হায়নসু নিমাইচান্দনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা কোংগ্রেস মায়থীবা তারগদি ইবোবী চীফ মিনিষ্টর ফমদগী মশানা তোকচরগনি। মরম অদুনা জয়দেববু থাগৎপীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংহনবীয়ু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লম্বীদা থাদবগী হৈনবী থাদোকসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমদম অমা, খুন্নাই অমা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক পুকচেল শেংবা, অমগা অমগা নুংশিননা পূক্নিং লিংজেল মান্ননা লৈমিন্নরগতা চাওখৎপা ঙমগনি খল্লি। লিংজেলবু মান্নদ্রবা মীগী মখা থানা পুন্সি লেনগনি হায়নবসু লৈরি। অদুনা লৈখল শুনা শাৎলি হায়রিবা ঐখোয়গী ইরমদমগী পুকচেলদি এঞ্জাং মথেল অমগা অমগা মহাও মান্নদবগুম মান্নদ্রি। মীনুংশি লৈবা, লৈতবা, পুক ফত্তনা খনবা, মীগী মাঙনবা শরৌ শিনবা, মশাগী ওইজবা থিবদা ইকায়বা খঙদবা, লম্বীদা নূং মচা খুন্দুনা ময়ূমগী কান্ননবা লৌশিনবা, মীগী থল্লিবা পোৎ চৈ নোংমগী অমা লৌহৌদবা য়াদে খন্দুনা শিন্থা ওইনা লৌবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। মসিদা মচা-মশুবু হুরান চিন্থি তৌনু ৱারক্কদবা, তাক্কদবা অহল ওইবা মপানা কল্লকপগী হৈনবী তৌদুনা লৈরগদি মমৈদা মচা-মশুসু খুদুং ইল্লি হায়নবসু লৈ। অদুগা নুংশিনবা, নুংঙাইবা উরগা কল্লকপনা নারি তিনহন্দনবা হিগাই ৱা, মহৈ য়াদু তৌশিন দুনা মীবু ৱানবা শিনবসু য়াওনরিবনি। মীওই খরনা লাই-তীলগী থৌরমদগী হেন্দুনা মীগী ইমুং অকায় অতোয় থোক্লবা পোৎশেম তৌদুনা শেন্দাল লম্বী ওইনা চৎনবসু লৈরি। মসিদা শেল খজিক ফংনবা হোৎনরুবনা ফত্তবনা ফত্তবা চাই হায়দুনা মমৈদা অৱাবা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

হোয় হিংনবগী লম্বীদা মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বনি তৌরুনু য়াররোই হায়রুবনা অরানবা তাগদৌরিবনি। অদুগা নাকল অমদা থবক থৌরম কয়াদা ঐনা হেন্না হৈ শিংবগী মতৌদা মশাগী অশোনবদি উদনা মীনা তৌবতমক য়েংশিনবা হৈনজবা অচৌ-অশাং ঐখোয়গী ইরক্তসু মীবু হুন্দুনা ঙাঙবসু য়াওনরি। ৱা য়াম্না ঙাঙলগা হৈনবনা ইচুম চুম্বা ৱাহৈ অমদা শোয়বা য়াওখিবদা চান্নরম্বা মরুপ মপীজা, মীয়ামদসু নীংহন্নবা পীরক্কনি। অদুনা পূক্নিং ওল্লক্নবগী শরুক অমা ওইরক্কদৌরিবনি। মচং ওইবা খরদং ঙাঙদুনা মীবু শুমদুনা থম্বনা তুংদা মায় পাক্নবগী লংজিননি হায়নীংই।

থবক ঙম্লোইদবদা ঙম্মী হায়না মীবু থাজহনবগী ৱাখলগী লাল্লোংদি পংকুই কুইরোই, ঈশিং ফংদ্রবা উপালনা নোংমগী কংশিল্লকপগুম থোক্কনি হায়না খঞ্জে। অদুনা পুন্সি হায়বসে পুন্সিনি তম্বা ঙমদ্রবা খোঙচৎনি। অচুম্বা লম্বী চৎনবা হোৎনবনা য়াইফগনি খল্লি। অদুগা অমরোমদা ইশা ইশানা ফজবা লোনচৎ, ৱাঙাঙ শঙাঙ, থক-খা খায়না থকসি-খাসি লৈনা চৎনরবা, হুরান চিন্থি, কল্লক খম্বল থাদোক্লদুনা নুংশিননা লৈমিন্নরবদি ঈং তপ্লবা লমদম অমা শোয়দনা ওইরক্কনি খঞ্জে।

অৱাই অখুম চিনগী লান্না অমগা অমগা শোক্লদুনা লৈরগদি লমদম অমা ফনবা শেম্বদা শোথরক্কনি খল্লি। অদুনা ইরমদম চাওখৎনবা, ফজনবা হোৎনবদা মীচম মীয়াম ঐখোয়গীসু লিংজেল অমুক্তং মান্নবা চঙব্রা খঞ্জে। লৈঙাক্তা ঙাক্তা মিৎয়েং চঙবনদি অৱাবা ওইগদ্রা খল্লি।

পিল্লবা ককচেং শঙ্গুনা চাউরবা তিন্থোক অমা পুই হায়বসু লৈরি। অদুবু ঐখোয়গী ইরমদদি তাইওন্নবদা চৎনরি, য়েংশিন্নবতা ওইরি। হৌজিক্কী, ঙাইহাক্কী নুংঙাইবগী ৱাখলদা তুংগী ৱাখলদি খন্দবা ওইনরি। অদুগা অমরোমদা তুরেল খোংনুংদা অমোৎ অকায় থাদবীনু লাউনরি, লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা নত্তনা লূপ কয়ানা অদুবু থওইনদে হেন্না হেন্না থাদবা, পৈশিনবা, অমাং অশোয় মচুম থাদবনা ওইরি। নাকল অমদনা টোটি ঈশিং ফংদবা মফমদদি তুরেলগী ঈশিংনা থক্লবা য়াওনরিবনি। মসিদা লায়না তীলনা কয়া নারকপা য়াবগী অকিবা লৈনরি। অসিগুম্বা মীয়ামগী পুন্সি কন্নরিবা তুরেল তোর্ব্বান অমদি ঈশিংবু লু-নাননা থম্বদসু ঐখোয় ঐখোয়গী ইথৌনি খন্থনবগী মতম হেল্লব্রা খল্লি।

মসিদা নত্তনা লম্বী সরক্তসু অদু মঙাই, ইম্ফাল সহরগী লম্বী লুবা-নানবগী থৌশিন্দা অহিং নোংঙাল্লমদাইদগী আই এম সীগী ৱার্কর নুপীশিংনা অমোৎ অকায় শেংলি-শিৎলি। মসিসু নুপীতনা অয়াম্বা ওইরি। মখোয়বু উরুরগা পূক্নিংদা নুংশিবা অমদি ফাওদবা নত্তে।, কনা কনাগুম্বশিংনা নাখোক্তুনা তূম্নবা মতমনি। অদুবু হিংনবগী লানফমনি শুদবা য়াদে। মসিদা চাইবা পাম্বা খরনদি ৱাখল খন্দনা শিৎপা লোইরম লোইফাৎত্রিঙৈ চাইরম্বনা হাল্লি। মসিদা মীচম মীয়াম ঐখোয়না অসুম চাইহল্লবদি করম্না অনানবা সহর ওইহনগদৌরিবা? ঐখোয়নসু তেংবাঙ ওইনা প্লাষ্টিক ময়োম পুদুনা লাক্লগা চাবা থকপগী বোট্রল লম্বীদা থাদবগী হৈনবী থাদোক্লসি। লৈঙাক্না থল্লিবা দসবিন লৈবা মফম য়েংলগা থাদরসি। ঐখোয় ঐখোয়না ফৈ ফত্তে ৱাখল খন্থদুনা সহর লূ-নান্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

## মরী লৈনবা লোইশঙনা অমুক্তং মীৎয়েং চঙবীদুনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ইকায়খুম্নজরবা এদিটরগী মফমদা ৱাহৈ খরদং পাউচেগী থোঙদা হঙ্গৎচরি, মদুদি ইম্ফাল পুখাও লম্বীগী লমলোং থোংখোংদগী খুরাই হৈক্রুমখোং ফাওবগী লম্বী মতেক অসি পোটহোলনা চৎপা য়াদ্রে। লম্বী অসিদা লৈরিবা সাইনিক স্কুল, আর কে সনাতোম্বী বিদ্যালয়া স্কুল, কানন দেবী স্কুল অমসুং পুলিস ত্রেনিং স্কুল ময়াম অসিগী গাড়ী ময়ামনা লম্বী চৎপা মতমদা লম্বীসিদা লৈরিবা পোটহোল ময়াম অসি থৈনবা হোৎনবদা গাড়ী মচা অমদি খোঙনা চৎচবশিংগী মফমদা খুদোংথিনীংঙাই ওইবদা নত্তনা অৱাবা তাবা কয়াসু য়াওনরে।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা লোইশঙনা অমুক্তং মীৎয়েং চঙবীদুনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা হায়জরি।

*অদোমগী - সলাম ইবোপিশক, খুরাই নান্দৈবম লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।